# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট থৌ পুবশিংনা মণিপুরবু থৌশাদবা

## লৈশাংথেম অজিৎ

***লৈবাক*** অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ৰায়েলশঙ, সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নবগী থৌবু ওইরিবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) দা লৈবাক অসিগী শান্নবগী পৱার হাওসনি হায়রিবা লমদম অসিগী ক্রিকেট শান্নবগী লূপ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনবু বি সি সি আইনা ক্রিকেটকী অশিন অৱাং তৌবগী লূপ অসিদা ফুল মেম্বর ওইহন্দুনা ভোটিং রাইট পীয়ু হায়না অইবা য়াথং অমা থোকখ্রবসু বি সি সি আইনা ওইবা য়াবা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎতবদগী সুপ্রিম কোর্টনা পীবা অরোইবা নুমিৎ অদুদগী নোংমা নীনি চোন্থরগা মুম্বাইদা ওক্টোবর ১ দা পাঙথোকখিবা স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মিটিংদা এসোসিয়েট মেম্বর ওইরিবা মণিপুর, সিক্কিম, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশনচিংববু ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী গাইদ লাইন মতুং ইন্না ভোট থাদবা য়াহনবগী হক অদুদি পীখ্রে হায়রি অদুবু ফুল মেম্বরগী ভোটশিংগা এসোসিয়েট রেসিও ৩:১ দা দিভাইদ তৌগনি হায়না ৰারেপ লৌখিবা মরম্না মীয়াম্না অমদি মণিপুরনা লুচিংবা এসোসিয়েট মেম্বর অমদি এফিলিয়েট মেম্বরশিংনা য়ানিংদে অমদি মসি লোধা কমিসনগী রিপোর্ট অমদি সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অদুগী ওন্ন-তৈনবনি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা ক্রিকেট শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা লূপ বি সি সি আই অসি মালেমদা শেল খ্বাইদগী পায়বা শান্নবগী লূপশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসিগী ওইনদি লূপ অসিনা শেল খ্বাইদগী পায়রি অমদি মালেমদা লৈরিবা ক্রিকেট বোর্দ, এসোসিএসনশিং অসিগী মনুংগী ওইনদি লূপ অসিনা চহীদা তানবা শেনফম অদু য়ৌবা ঙমদ্রি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা পুকচেল শেংদবা মীওইশিংনা লূপ অসিগী থৌ পুবা য়াওশিল্লকপদগী ৰাথোক কয়া অমুক থোক্তুনা লূপ অসিগী মিংচৎ য়াম্না থিখি। মসিনা লূপ অসিগী ৰায়েল থৌদাদা লৈঙাক্তা অশোয়বা কয়া অমুক লাকখি। মসিদা মন্ত্রি, পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর, ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিসকী মীওইশিং, লল্লোন ইতিক তৌবশিং, পোলিটিক্স য়াওবশিং, হুরানবা অচৌবা, গুন্দাশিং, জ্বার শান্নবশিং য়াওশিল্লক্তুনা ষ্টেট ক্রিকেট এসোসিএসনগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা নৎত্রগা মওং অমদা উপাই অমা তৌদুনা চঙশিল্লক্লগা বি সি সি আইগা শম্নবা হোৎনৈ। মরম অদুনা শেল থানবা, মেচ ফিক্সিং তৌবা, স্পোট ফিক্সিং তৌবনচিংবা চথদুনা অফা অপুন কয়া অমুক থোক্তুনা কৈশুমশঙদা অফাওবা শান্নরোয়শিং থমখি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ক্রিকেট এসোসিএসনশিংদা বি সি সি আইনা মিৎয়েং চপ মান্নবা য়েংবিদবা, অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী এসোসিএসন অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী এসোসিএসনবু নিংথিনা লমজিংবীদবনা মরম ওইদুনা অসিগুম্বা অশোয়বা ময়াম অসি চুমথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা ৰাধা কমিটি কৌবা অমা শেমদুনা মহাক্কী কমিটি অসিনা থিজিন খোচিন তৌরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিসতা মহাক্কী রিকমেন্দেসন অদু লানখৎপদা অয়াবা পীরকখি। মণিপুর, মেঘালয়া অমদি সিক্কিম্নচিংবা ষ্টেট খরবু ফুল মেম্বর ওইহন্দবা, ভোট থাদবা য়াহন্দবা অসি বি সি সি আইগী মাইখুম উপশিনবা অর্পাথায়দ (Aparthied) মখল অমনি। সুপ্রিম কোর্টকী চেরোল অদুদা হায়রিবদি ষ্টেট অমদগী মেম্বর অমা, ভোট অমা অমদি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংসু ফুল মেম্বর ওইহনগদবনি।

অঙকপা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা শান্নবগী চৎনা কাঙলোন অসিদা অচৌবা লূপ অমনা লূপ মচাশিংবু নমথবগী হৈনবী লৈরি। মসিমক খা অফ্রিকাদা অঙৌবা মীওইশিংনা অমুবা মীওইশিংগী মথক্তা লৈঙাকপা মতমদা অমুবা মীওইশিংবু হন্থবা মী (মীনাই) নি হায়না লৌদুনা মখোয়বু তোঙান্না থম্বা, লাইরিক তম্ফমশঙ তোঙানবা, অমুবগা অঙৌবগা শান্নমিন্নদবা, চাক-ঈশিং চামিন্নবা য়াদবা অমদি মখোয়বু ভোট থাদবা য়াহন্দবগী চৎনবী অর্পাথায়দ হায়না খঙনবা চৎনবী অদুগা খেন্নদে। লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী পামজবা মশান্না রগবি অমসুং ক্রিকেটতা কুচু মুবশিংবু অঙৌবা মরক্তা য়াওহন্দে, কুচু মুবশিংগী মরক্তা হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোয় য়াওরবসু লৈবাক অদুগী টিম খনগৎপদা য়াওহন্দে অমদি ওলেম্পিক টিম থাবদসু কুচু মুবশিং য়াওহন্দে। মরম অসিনা লৈবাক অসিবু কুমজা ১৯৬৮ দা পাঙথোকখিবা মেক্সিকো ওলেম্পিক্সক্তগী কুমজা ১৯৮৮ দা সিওলদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমস ফাওবা তাম্থোকখি। মসিগী মথক্তা কুমজা ১৯৬৯ দা ইংলেন্দগী টিম্না খা অফ্রিকাদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা চৎকদবদা ইংলেন্দগী টিমদা বাসিলা ও'দেলিভেরা (Basila O'Delevera) কৌবা কুচু মুবা শান্নরোয় অমা য়াওরম্মী। মদুদা খা অফ্রিকাগী ক্রিকেট বোর্দ অমসুং লৈঙাকপশিং, খা অফ্রিকাগী লৈঙাক্লা মহাকপু য়াওহল্লক্কনু হায়খি। ইংলিস টিমনা মহাক য়াওদ্রবদি মখোয়গী টিম খা অফ্রিকাদা লাকপা ঙমলোই হায়দুনা খোঙচৎ অদু তোকখি।



অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ইন্দিয়া মচাশিংনা ঐখোয়বু মীশিং য়াম্বা, মপুকচেল পীকপা মেনলেন্দগী মীওইশিংনা নমথবীদুনা থম্বীরে, ঐখোয়দা 'এর্পাথায়দ' কী মিৎয়েং য়েংবিরি হায়বগী খুদম হীরম খুদিংমক্তা উৎলিবা অসিগী মনুংদা বি সি সি আইগী লীচৎ অসিসু অমা ওইরি। নিংথিনা খন্থদুনা য়েংবা মতমদা লৈবাক অসিদা ষ্টেট অমা ওইরিবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মণিপুর, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশকুম্বা শান্ন খোৎনবা ষ্টেটশিং অসিনা মতম কুইনদগী ফুল মেম্বর ওইনবা হন্না হন্না হায়জরবা অমদি সুপ্রিম কোর্টনা হুকুম অমা থোক্লবা ফাওবা বি সি সি আইনা ওৎলৈ পাৎলৈ তৌদুনা মতম য়ৈথোক্তুনা অদুমক লৈরি। তৌইগুম্বসুং মহারাষ্ট্রা কৌবা ষ্টেট অসিদগী মুম্বাই অমসুং ভিদরভা কৌবা ক্রিকেট এসোসিয়েসন অনিগা মহারাষ্ট্রা মশামক্কী এসোসিএসন অহুম ফুল মেম্বর ওইহল্লি। এসোসিএসন অহুম অসি ভোট পীবগী রাইট লৈ। মসিগী মথক্তা গুজরাট ষ্টেটকী সৌরাষ্ট্রা অমসুং বোরোদা, ক্রিকেট এসোসিএসন অহুম অমগা ষ্টেট অসিদগীসু রনজি ট্রোফিদা টিম অহুম শরুক য়াহল্লি। চৎনবীগী মতুং ইন্না চহীগী ওইনা লুপা লাক্ষ ৭৫ এসোসিএসন অমমমদা বি সি সি আইনা চহীগী ওইনা পীবা শেনফম অদু ষ্টেট অসিগীদি এসোসিএসন অহুম অসিগী তোঙান তোঙাননা লুপা লাক্ষ ৭৫/৭৫ ফংই। ফুল মেম্বর ওইবগী মনুংদা ক্রিকেট ক্লব ওফ ইন্দিয়া অমসুং নেসনল ক্রিকেট ক্লব কৌবা ক্লব অনীখক য়াওহল্লিবা অসিসু বি সি সি আইগী অচৌবা অশোয়বা অমনি। ক্লব অনী অসি ভোট থাদবা য়াবা খক্তা নত্তনা অতৈ ফুল মেম্বরশিংনা ফংলিবা কান্নবা খুদিংমক ফংই।

মালেমদা শেল খ্বাইদগী য়াম্না পায়বা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ক্রিকেটকী ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা লূপ অসিদা ফুল মেম্বর ওইবা ফংলবদি মসিগী রেভিন্যু লুপা ক্রোর কুন হেন্না চহীদা কারকপগী খুদোংচাবা লৈবদগী হেন্দোক্তুনা মশান্না অসি চাওখৎনবা বি সি সি আইনা চহীগী শেন্থং ওইনা লুপা লাক্ষ ৭৫ পীরক্কনি।

জষ্টিশ লোধাগী টিম অসিনা সুপ্রিম কোর্টতা রিকমেন্দ তৌখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিশ টি এস থাকুরনা অয়াবা পীখিবা রিপোর্ট অদুদা লৈবাক মীয়াম্না অপাম্বা অমদি বি সি সি আইনদি পামদবা হীরম কয়া অমুক য়াওরি। মদুগী মনুংদা মন্ত্রি, লৈবাক্কী ওফিসতা থবক তৌবা ওফিসরশিং, হুরানবা অচৌবা শেল পায়বশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং বি সি সি আইগী মেম্বর ওইবা অমদি ফম পায়বা য়াদে। মতাং অসিদনি লৈবাক্কী য়াম্না মতমগা চান্নবা, দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা বি সি সি আইগী থবক থৌরম চথনবা অমদি মীপুম খুদিংমক্কী মমিৎ নাহন্দনবা জষ্টিশ লোধাগী রিপোর্ট অসিবু মীয়াম্না থাগৎনরিবা অসি।

# ঐখোয়না থক্লরিবা ঈশিংসিবু ফরিবজাৎলা?

## — ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —

***ঈশিং*** হায়বসি ঐখোয়গী থৱায়নি হায়বসি মালেম পূম্বনা য়ানরবা ৰাফমনি। থৱায় পানবা পূম্নমক্কী ওইনা ঈশিং অসি কয়ামুক মরু ওইবগে হায়ববু ঈগী মহুৎ শিনবা পোৎ 'ঈশিন' নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। মালেমদা ঈশিং হায়বা পোৎসি লৈরকপদগী থৱায় পানবশিং পোক্লকখি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা খঙলকখিবসি পংকুই কুইদ্রি। ৰাফমসি মীতৈ ঐখোয়দি নীংশিংবা থোক্ত্রিবা মতমদগী খঙলক্লে হায়বসি ইপা-ইপুশিং অদুনা লাই হাক্তক্তগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা 'লাই ইকৌবা' হায়বা ঈশিংদগী লাইগী থৱায় লৌখৎপগী লাইথৌ অমা উমংলাই হরাউবদা য়াওরিবা অসিনা লেংদ্রবা খুদমনি। পোইরৈ লমদম সনালৈবাক মণিপুর অসিদদি মহৌশা লাইরেম্বীনা থৌজানবীদুনা ঐখোয়গী পাৎ, তুরেল, ইরম-খোঙলম, ঈকোনশিং অমদি চীংগী লোক্তা ফংলিবা ঈশিং পূম্বা থুমহি চেন্দবনা ঐখোয়দি থক্লবা ঈশিংগীদি থোইদোক্লা ৰানদে। অমুক্কা হেন্না লাইবক ফরিবনা ঐখোয়গী ঈশিং অসিদা Lead অমদি Arsenic নচিংবা হু চেনবা কেমিকেলশিং য়াওদে। থক্লবা ঈশিংগী লৈফম থোকপা Ph value চাং চানা লৈবা Iron, Salt নচিংবা মথৌ তাবা Mineral শিং চাং চানা নিংথিনা য়াওবসিনা অমুক্কা হেন্না ঐখোয়বু হকচাং ফহনবীরি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়গী লৌবুক-ইস্খোলদা শীজিন্নরিবা মখল-মখলগী হার, কেমিকেলগী তীলহাৎ হীদাকশিং, নাপী হীদাকশিং অমদি অতৈ মীওইবনা মোৎশিল্লিবা কয়া অসিনা ঐখোয়না থুমহি চেন্দে অফবা ঈশিংনি হায়না পংথক্তা থক্লরিবসিদা হুগী চাং কয়াম য়াওরবনো হায়বসিসু খঙদোক্লবা হোৎনদবা য়ারোই। চীংগী মফম খরদা ফংবা চীংজুম অমদি লোক্কী ঈশিং খরা নত্তনা অতৈদি লোয়না হু চেল্লন্নগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা অমত্তা ঙাইরবা ফ্রেস ৰাটর লেকনি হায়না চাওথোকচরিবা লোক্তাক্তা নম্বুল তুরেলনা পুথরক্লিবা হু কয়া অসিনা পাৎ অসিদগী ঈশিং থক্লিবা মীওইশিংদা পীরমগদবা ফত্তবা চৈথেং অদুতা নত্তনা পাৎ অসিগী Ecosystem দা Biodiversity পীরমগদবা চৈথেংশিং অদুদি থাবদা লোইবা নাইররোই। ঙসিগী খম থেংনা চাওখৎলবা চহীচা অসিদা মণিপুরগী মীয়ামদি থক্লবা অফবা ঈশিং থকপা ফংনদ্রি হায়বা য়াই। ইনাক খুনবা খরনা অফ-অফবা Filter, Water purifier শীজিন্নদুনা শেম শারবা ঈশিং নৎত্রগা মার্কেটতা ফংলিবা Packaged Drinking Water অসি শীজিন্নবা নত্তনা মী অয়াম্বনদি টৌটিগী নৎত্রগা চুম্নগী ঈকোন্দগী, পাৎতগী, তুরেলদগী শোক্লুরগা মৈদা লুমথোক্লগা নৎত্রগা লুমথোক্তবীদা থক্লবা ঙাক্তনি। মৈদা শৌহনবা মতমদা কান্নরিবসি মহীক-মতাং খরা হাৎতোকপা খক্তনি। মদুনা হু চেনবা কেমিকেলশিংদি শেংদোকপা ঙমদে।

হৌজিক খরা হেন্না কুপথনা নৈনবা মথৌ তারক্লিবদি টৌটিগী ঈশিং অসিনি। মসি কনানা কদাইদগী লৌরগা মীয়ামদা থকপা য়ারে হায়না পীরক্লিবনো হায়বসি কূপ্পা নৈননিংঙাইনি।

মীয়ামদা থক্লা-চানবা ঈশিং ফংহল্লিবা লৈঙাক্কী লোইশঙ হায়বদি পব্লিক হেলথ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) না হৌজিক লমদম অসিদা ৰাটর সপ্লাই স্কিম কয়া অমা শেমগৎখ্রে, শেমগৎপসু লেপত্রি। হায়রিবা ঈশিংবু ট্রিটমেন্ট/প্রোসেস তৌননবা মফমশিং অসিদা অনৌবা সাইন্টিফিক ওইবা মেথোদ কয়া শীজিন্নদুনা শেমদোক-শুংদোক্লবা ঈশিং অদুবুনি ঐখোয়না টৌটিগী ঈশিং হায়না খঙনরিবসি। টৌটি হায়বা ৰাহৈসিমদি কদাইদগী হৌরকপা লোন ওইরমগনি হায়বদুমদি খঙজদ্রে। টৌটিগী ঈশিং অসি কদাইদগী ঈশিংনা মতৌ করম্না শেম্বনো হায়বগী মতাং অসি মীয়ামসু লোয়না খঙলিবনি, লোয়না উরিবনি। খন্থনরুদবগী ৰাতনি। মোৎলে, হু চেল্লন্নগনি খন্দুনা ঈশিং খুয়া অমফাওবা শোক্তুনা শীজিন্ননিংদ্রবা ঐখোয়গী ঈকোন, পাৎ, তুরেল অমদি খোঙলমনচিংবগী ঈশিংনি চিংখৎতুনা পি ঐচ ঈ দিনা টৌটিগী ঈশিং শেম্নবসি। ঐখোয়গী ঈশিং ফংফমশিংসি মোৎশিল্লীবা অমদি হু চেলহল্লিবা অসিসু অতৈ কনানা নত্তে, মীওইবা ঐখোয়ননি। পি ঐচ ঈ দিনা টৌটি ঈশিং শেম্বগী থৌরাং অসি ইচম চম্মী। হায়বদি মহীক হাৎনবা Bleaching powder খরা, ঈশিং লুনবা শুনু, ফিজিগ্রি খরা হাপ্লগা লৈঙোয়দা ফমথহল্লগা অদুম ত্রিটমেন্ট তৌরগা লোইরে। হাপ্লিবা কেমিকেলশিংদু চাং ৰাৎপ্রা/হেনব্রা হায়বদুসু অমুক হন্না য়েংশিন্নবা প্রোসেস লৈতে। ঈশিংদা য়াওফম থোকপা মিনরেলশিং চাং চানা য়াওব্রা, Ph value গী চাংনা কমদৌরিবা হায়বনচিংবা ত্রিটমেন্ট তৌনবগী থৌরাংসু অমত্তা লৈবা উদে। হকচাংদা হু ওইগদবা Lead, Arsenic নচিংবা কেমিকেলশিং য়াওইসু খঙদে, য়াওদেসু খঙদে পংথক্তা থকপা হায়বদুনি। ইশম-শম্না হায়রবদা ঙসিগী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা অসুক য়াম্না চাওখৎলবা চহীচা অসিদা টৌটিগী ঈশিংদু ক্রোস ইগজামিন তৌননবা লেবোরেটরিশিং থমদুনা কেমিকেল অমদি মেদিকেলগী এক্সপার্টশিংনা তৌগদবা মথৌশিংদু ঐখোয়গী মণিপুরদদি লৈত্রিবসি করিগীনো? মীরমদগী পুশিল্লক্লিবা চান-থক্লবা পোৎ-চৈশিংদা হু চেনবা ময়াম অমা য়াওরক্তুনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং মুখৎননবা খুজিল থৌরাং কয়া তৌরিবা অসিগুম্বা অসিদা পি ঐচ ঈ দিসু য়াওশিল্লব্রা হায়বসিসু চিংনদবা ঙমদে।

মহিক মতাংখক্কী ওইরবদি মৈদা লুমথোক্লগা নৎত্রগা Drinkable Book নচিংবা শীজিন্নরগা অদুম য়াজবা পোৎনি। কিরিবদি হু চেনবা কেমিকেলশিং অদুনি। মসিনা ঐখোয়দা মথোং মরম খঙদবা লায়না-লায়ওং কয়া অমা নাহল্লক্লিবা অসিগী রেসপোন্সিবিলিটি কনানা পুগদগে? মীয়ামদা টৌটিগী ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্ননবা লৈঙাক্লা থৌরাং কয়া অমসু পায়খৎ-পায়খৎনা Packaged Drinking Water পুথোকপা লন্নাই ইন্দষ্ট্রি ময়াম অমসু লিংখৎনরক্লিবা অমদি দ্রিঙ্কিং ৰাটর থাবা লন্নাই গাড়ী ময়াম খঙহেন হেনগৎলক্লিবসি করিগীনো হায়বসি কূপ্পা নৈনদবা য়ারোই। Micron Filtration, Reverse osmosis, Ozonisation & UV-Treatment নচিংবা প্রোসেস কয়া তৌরগা পুথোক্লিবা মিনরেল ৰাটরনি হায়না কম্পেনিশিংদুনা লেবেলদা ইজরবসু ফত্তবা কয়া য়াওরম্বগী ৰাথোক কয়াদি ইতৎ-তত্তনা থোকই।

মিনরেল ৰাটরনিবু হায়রবদি ফেসন অমদা পংথক্তা থক্লবগী ৰানি। চাকচা-হৈজানবদগা মিনরেল ৰাটর তৌদবা ইমুংদুদি য়াম্না চৎনবী খঙদবা তানরে। অহাংবা বোট্টলশিংদু অমুক লোইশিনফম খঙদবদগী কয়া অমা চাইখাইহল্লিবা অমদি মোৎশিলহল্লি। কনাদগী অয়াবা লৌরগা করি-করি চৎন-কাঙলোন ঙাক্তুনা ঈশিং শেল্লিবনো খঙদে - ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেলনচিংবগী খোংবানশিংদা লন্নাই মীওই খরনা ঈশিং য়োন্নবা গাড়ী ময়াম থাদোক্তুনা মীয়ামদা অরুবা (মহিক-মতাং অমদি হু চেনবা কেমিকেলগীদি খঙদে) ঈশিং মরাং কায়না ফংহল্লিবসিনা? মসিগুম্বসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা মিৎয়েং চঙফম থোক্তব্রা? অসিগুম্বা প্রাইভেট ৰাটর টেঙ্কর গাড়ীশিং অসি মখোয়গী তোঙানবা এসোসিএশন্নচিংবসু শেল্লম্বা য়াই। লোয়ননা মখোয় service providers গী য়াইফনবা রুলস ময়াম অমসু শোয়দনা শেল্লমগনি। অদুবু মখোয়না য়োল্লিবা ঈশিংদুনা মীয়ামগী হকচাংদা কদাই ফাওবা ফহনগদগে/ফহল্লোইদগে হায়বদুগী পোইন্টদি অমা ফাওবা খন্নরল্লোই হায়না খল্লি। ইকংগা থোক্তুনা ঈশিং ফংনদবা মতমদদি খোঙবানগী ঈশিং ফাওবা কাবক-কাবক মচুখক ফজহল্লগা য়োল্লম্বগী পাউসু তাজবা ফংখি। শোমদনা পি ঐচ ঈ দিনা চেকশিন্না শম্বল খাজিন্দুনা থমজবদু খুন, লৈকায়গী নুপী-অঙাং, শা-ষণ, য়েন-ঙানুনচিংবা কয়া পংচঙদা চঙদুনা অমাং-অশেংসু খঙদনা চোপচা-চোপচা পংতৌ তৌশিল্লিবা ৰাটর সপ্লাই স্কিমশিং অসি উরুবদা টৌটিগী ঈশিংগা পুংখি খিজরে।

অমরোমদা, মীয়াম্না ঈশিং চান-থক্লরিবা ঈকোন, তুরেল, খোঙলম্ন চিংবগী ময়া নক্লা পোৎলোইফম, ইরুজফম, মপান থোকফম, শা-উচেক্কী মকোন্নচিংবা কয়া পংশাদা শাজিল্লিবা কয়াসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী চাওখৎপগী চাংসি অসুক্কী মতিক হন্থহল্লি হায়বসি ঐখোয় নোংমতা নীংশিংনরুদে। য়ুনা মী হাৎপগী চাংদগী ঈশিংনা হাৎপনা য়াম্না হেল্লি হায়বা ৰাফমসু লৈবনা ঐখোয় য়াম্না চেকশিন্নীংঙাইনি। ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি তুং কোয়না মীয়ামদা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা মণিপুর ষ্টেট দ্রিঙ্কিং ৰাটর পোলিসি অমা য়াম্না অথুবা মতমদা অখঙ অহৈশিংগা তান্নদুনা শেমহৌবা তাই। অসুম্না তৌরবদি মতম মতমগী ওইনা থেংনরিবা ঈশিংগী অৱাবশিং মরু ওইনা নোং তাদবদগী ঈশিং তাংবা, ৰাটর পোলুসন্নচিংবা কয়াসিসু কোকহনবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৰাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## উপাই অমদি থমসি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**য়েলহৌমী** কন্নবা খোঙজং ময়াম অমা চঙশিল্লবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি মায় পাক্ত্রি হায়বা য়াই অদুনা মীপুম খুদিংমক্কী কোক থাদদুনা নৎত্রগা চুংশিন্নদুনা মায় পাক্লবা লম্বেল অমদি থিবা তাই। মতাংসিদা ঐখোয়না হৌখ্রবা মতমদা মায় পাকখ্রবশিং অমসুং পুৰারীগী ওইবা পন্দুপশিংদা মহয় য়ানখিবশিং হাইগৎতুনা নৈনবা য়াই। মালেমগী ওইনা য়েংবদা ভাইওলেন্স ওইনা চঙশিনবা খোঙজংগা নন ভাইওলেন্স ওইনা চঙশিনবা খোঙজংগা অনীসি চাংদম্নদুনা য়েংবদা নন ভাইওলেন্স ওইবা খোঙজংনা মায় পাকপা হেল্লি। অদুগা অমুক পুৰারীগী ওইবা পন্দুপশিংদগী বৃটিশকী কাঙলোন নৈনবা য়াই। পীকখ্রবা বৃটিশ সম্রাজনা মালেমসি মখোয়গী খুবাম্লুংদা করম্না থমখিবগে হায়বা নৈনবা য়াই। ঙসি ঐখোয়গী মণিপুরনা অসুক য়াম্না লৈখা তাখ্রিবসি পুৰারীগী ওইবা পন্দুপতা অশোয়বা ময়াম লৈখিবদগীনি; অশোয়বশিংদুদগী অমা লৌখৎচবদা মীতোপ মীয়ানচা অমখক্লা নিংথৌবু থমাইখিবদগীনি অদুনা অমুক্কা হেঞ্জিন্না লৈখা তাখিদনবা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু চঙলক্তনবা ঐখোয় ইশানা ইশাবু ঙাকথোকচনবা কাঙলোন শেমসি। করিগুম্বা শোয়খ্রবসু অশোয়বদু ঙাকথোকচনবা অতোপ্পা উপাই অমদি থমসি।

জে সি আই এল পি এসনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজং তরাই তরাইনা লৌফম থোক্তে। হয়েং মতম্না অসুম অসুম হৌখ্রগা চঙশিল্লিবা খোঙজংনা মচি লেংদবা তারগদি মীচম মীয়াম্না লূপ্তা থম্লম্বা থাজবশিং তাইওন্নখিদুনা মীকপ থোক্লকপা মতমদদি মাইবনা খূৎ থারবা অনাবা অমগী পুংফম য়ৌরল্লবদি পূম্নমক্লা জে সি আই এল পি এসতা ওনশিন্দুনা অমুবা কালি তৈগে হায়রক্কনি, মতমদুদদি ত্রিপুরাগী মতৌগুম তকশি শোন্দুনা তোক্কনি। অদুনা লূপ অসিদা লৈরিবা খঙ হৈরবা খ্বাই লুচিংবশিংনসু খোঙজং চঙশিন-চঙশিন্না ইশানা ইশাবু ঙাকথোকচনবা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্থবিদুনা অতোপ্পা উপাই খরসু থিহন্নিংই। মরমদি মীওই অমা পূম্নমক্তগী হেন্দুনা মায় পাকপদা মীপুম খুদিংমক মাগী মী লোইনা ওইদুনা মাবু থাগৎপীনবা অমসুং মনা পীবিনবা মী ৰাৎলোই অদুগা মানা খুদোংথিবা অশোয়বা অমা তৌবদা মাবু চৈবিনবা অমসুং ঙাঙবিনবা মীসু ৰাৎলোই। অদুনা ঐখোয় চেকশিনসি, ঐখোয়দি ঐখোয়না কঞ্জসি, মীতৈদি মীতৈনা কনসি, মণিপুরদি মণিপুরনা কঞ্জসি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অমসুং তুংদা লাক্কদবা লৈঙাকসু উৎলৈ পারৈ তৌদুনা মতম হৌখিবনা হোৎনরক্কনি। মখোয়বু য়াম্না কন্না থাজবা থমগুমসি মরমদি মখোয়দু পুকচেল শেংদবা ওইবনা হকথেংননা সেন্টরগা মায়োক্লবা পামদে অদুগা মখোয়গী মপু দিল্লিনসু ইশ্যু অসি পাক হেক পীনিংবা নত্তে। মতাংসিদা পঞ্জনিংবা অমনা খঙহৌদনা ফৈজিল্লকপা দষা লাংবন অমা কোক্লবা লৈবাক্কী অখণ্ড অহৈ ময়াম তান্নরগা ৰারবসু ৰানা চুড়াচান্দপুরগী ৰাফম অসিমতং লৈখায় তাহঞ্জনীংই। হৌজিকসু মতম লৈরি তম্পাক্কী শরুক খুদিংমক মচিৎ মচিৎ লৌশিন্দুনা মপূম ওন্থোক্লগা ঐখোয়গী খোঙজং মায় পাকহনসি। খোঙজং চঙশিন্দুনা ধরনা ফম্বনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা করিসু শাফু পীবা ঙল্লোই অদুনা ঐখোয়দি ঐখোয়না কঞ্জগদবনি হায়বা পান্দমদু থমসি।

জে সি আই এল পি এসনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মসিগী ৰিং অমখক খাইদোকপীরগা তম্পাক্কী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু মখোয়দা শোকহনবা য়াওদনা তাঙ্কক নাইনা মফমশিংদুদগী থাদোকহনসি। খুদম ওইনা মোইরাংদা লৈরিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু অকক্লবা মতম অমা পীদুনা মখোয়বু মফমদু থাদোকহনসি। মসিদা মখোয়গা হকথেংননা ৰারী শান্নগদবা নত্তে মখোয়বু লৈহল্লিবা মপু নৎত্রগা মখোয়বু ভারা শান্দুনা থম্বীরিবা য়ুম্বুশিংদা হায়জগদবনি। দুকানবু ওইরো, হোটেলবু ওইরো মখোয়গী মহুত্তা লমদমসিগী মীওইশিংনা মহুৎ শিলহনগদবনি অদুগা থবক শুবা শিন্মীশিংসু মখোয়গী মহুত্তা লমদমসিগী মীওইনা মহুৎ শিন্নবা শিনবীগদবনি। অসুম্না মফমদুদগী মীতোপ মীয়ানচাশিং তকথোক্লবা মতুংদা অমুক হন্না মফমদুদা চঙলক্তনবা কাঙলোন কয়া শেল্লগা মফমদুগী ক্লব নৎত্রগা লূপশিংদা শিন্নগদবনি অমসুং মখোয়বুসু ৰিংগী মেম্বর ওইহনগদবনি। করিগুম্বা মফমদুগী মীওইশিংদুনা লৈবাক্কী ওইবা থবকশিংদা থওইদদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু অপীবা মতমদগী হেন্দোক্তুনা লৈহল্লম্বা থোক্লবদি মখোয়বু চুনবা চৈরাক পীদুনা ফাইন চাউনা থিহনগদবনি। মরমদি মীওই খুজোক খরখক্কী খুদোংচাবা নৎত্রগা কানবা লৌনবগীদমক লৈবাক্কী ওইবা ৰাফমদা অকায়বা পীরকপা তারগদি ময়াম চঙদুনা য়াদে হায়বদু চপ চানা খঙহনগদবনি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিগা চপ মান্নবা নোম্মাদা মথং মথং হায়বদি কুম্বী, ককচীং, পলেলনচিংবা রোটেসন নাইনা তম্পাক্কী কাচিন কোয়া খুদিংমক মীতোপ মীয়ানচা লৈহল্লোইদবনি। করিগুম্বা তঙাইফদনা লৈবা তারবসু মফমদুগী ক্লব অমসুং লূপশিংগী অয়াবা লৌহনগদবনি। মসিগী খোঙথাং অসিনা মথং মথং লাক্তুনা ইম্ফালগী ময়োল য়ৌশিল্লকপা মতমদদি ঐখোয়গী খোঙজং মায় পাক্লে হায়বা য়ারে। লূপকী খোঙজং অমা ওইনা মীতোপ মীয়ানচা থিংলিবনি হায়দুনা সেকমাইদা থিংদুনা পুলিসতা শিন্নবদুদি লৈঙাকসু মতোন থোক্লে, মীতোপ মীয়ানচাশিংগীসু মতোল থোক্লে, লাকখিবা মীওই অমত্তা হনখিবা লৈতে। মদুগী মহুত্তা বস কাউন্টরশিংদা শক্তাক চে য়াওদবশিং বস তোংবগী অয়াবা পীবিগনু হায়না হায়জসি, করিগুম্বা ওন্ন-তৈনবা তৌরক্লবদি ফাইন চাউনা লৌদুনা মখোয়বু চৈরাক পীসি নৎত্রগনা সার্ভিস লেপহনসি অমসুং য়াদে হায়বদু চপ চানা খঙহনসি, তৌবতবু খোঙজং অদু লোগী মনুং চলহনসি হায়বদি কন্সটিট্যুসনগী মনুং চলহনসি অমসুং নন ভাইওলেন্স ওইহনসি।

অরোইবদা, পঞ্জনিংবদি খোঙজং অসি লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মমাঙদা ওইথোকপা খরা ৰাৎকদবা মরম্না উপাই অমদি থমসি অদুনা মতম লৈরিঙৈদা ঐখোয় ইশানা ইশাবু ঙাকথোকচদুনা মণিপুরগী মফম খুদিংমক মরু ওইনা তম্পাক্কী কাচিন কোয়া পূম্নমক মীতোপ মীয়ানচা লৈহন্দবা ঙল্লবদি ময়োলদা লৈবা খরসিগীদি ময়াম পূন্না খন্নরগা লিনসু শিদবা চৈশুসু তেক্তবা মওংদা অরোইবা ৰারেপ অমা লৌসি অমসুং ঐখোয় ইশা ইশানা ৰাখল তানদুনা ঐখোয়গী ওইবা লৈঙাক অমা থম্নবা হোৎনসি।

*অদোমগী - লৈমপোকপম জেকেন্দ্র সিংহ*
*লাইফম খুনৌ, ইম্ফাল ইষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৰাহৈশিং অসিগী ৰাহন্থোক পীয়ু ঃ-
(ক) ঈবা (খ) উনবী।
২। 'ক্বাক্কী মচা ক্বাক, উরোক্কী মচা উরোক' ৰারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৩। 'নঙ অমসুং ঐ' শৈরেংগী লাইরিক্তুগী অইবীদু কনানো?
৪। 'খুনুশিংগী লাঞ্জেল' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।